# পোক্নফম

www.poknapham.in • THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY • www.thepeopleschronicle.in




এম এস এফ জিরিবাম ব্রাঞ্চনা চথরকপা সম্মর স্পিসিএল কোচিং ক্লাস লোইশিনবা অমসুং মেরিতরিয়স এরার্দ য়েন্থোকপা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা

তি সি ফাউন্দেসন মণিপুরগী ১১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ইন্তরনেসনেল এরার্দ ফংলকখ্রবা অরিবম শ্যাম শর্মবু ইকায়খুম্নবা উত্তুনা খুদোলপোং পীবা




গ্যাসকী পাউ লমায় ৫ দা

অঙৌং-অশা: ইংবগী চাং 21°C | শাবগী চাং 25°C | নোংজুগী চাং 17 mm | নুংশিৎ শীংপগী চাং → W to E (3 to 5 km/h)

GOLD RATE (24 Karat – Per 10 gm) Chennai-31,360 Kolkata-31,390 Delhi-31,310 Mumbai-31,290

INR / USD ₹ 67.2035/1$

Regd. 28436/75; MNP No. 66 | Vol. 41, No. 164 | 14 Pages | IMPHAL, FRIDAY, JULY 22, 2016 | ইঙেনগী ১৮ নি পানবা, ইরাই | e-mail: poknaphamdaily@yahoo.co.in | ₹ 4.50


# চাকহাওঃ মপান লমনা পাম্নবা চেং ওইরক্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২১ঃ** লমদম অসিখত্তদা মপুং ওইনা ফংবা 'চাকহাও অমুবী' নৎত্রগা 'চাকহাও পোই-রৈতোন' ইন্দিয়াখত্তদা নত্তনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা 'লকজরি ফুদ' অইতেম অমা ওইনা য়াম্না পাম্নরকপা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী অচৌবা শেন্থোক লন্থী অমা পীররে।

চেং মখল অসি নুমিৎ খুদীংগী চানবা চীঞ্জাক ওইদবনা লৌমীশিংনা চেং মখল অসি য়াম্না থানদে। মসিনা মরম ওইদুনা কৈথেলদসু য়াম্না লিক্লা ফংই। অদুবু হৌজিক্তি চীঞ্জাক মখল অসিদা য়াওরিবা তোপ তোপ্পা মগুণ অসি য়েংলগা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা অমা ওইরে। মসিনা লল্লোন- ইতিক্কীদমক থাবদা মপান নাইদনা মায় পাকপগী ফীবমদা লৈরে।

চাকহাও থাবা মতমদা পোথোক ওইনা য়াম্না ফংবা ঙমদ্রগসু শেন্দোংদা য়েংলবদি ময়াম্না চানরিবা চেং মখলশিং থাবদগী চাদা ৩৫ গী চাংদা হেন্না ফংই। মসিগী মথক্তা মালেমগী মফম কয়াদগী চীঞ্জাক অসিগী দিমান্দ হেনগৎলকপনা কৈথেলগীদমক ৱানিংঙাই ওইদে। গবর্নমেন্তনা থৌশীল হৈরবদি স্তেতকী অচৌবা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী লন্থী পীরি।

চাকহাওগী মরমদা এম এস এফ এ সি (মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি-বিজিনেস কন্সোর্তিয়ম) না পীবা ফিল্ড রিপোর্তকী মতুংইন্না, হেক্তর অমা চাকহাও থাবদা লুপা লীশীং ৬০ চঙই। মসিনা য়ামদ্রবদা কিলোগ্রাম ৩১২০ (ফৌবোৎ ৫২) পুথোকপা ঙম্মী। মসিনা



চেং ওন্থোকপদা কিলোগ্রাম ২০২৮ ফংবা ঙম্মী। চাকহাও কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৮০ দা য়োনবদা লুপা ১,৫৯,১২০ ফংবা ঙম্মী। অমরোমদা, হেক্তর অমা হায়ব্রিদ রাইস থাবদা লুপা লীশীং ৬৮ চঙই। মসিনা ফৌ কিলোগ্রাম ৬০০০ পুথোকপা ঙম্মী। মসি চেং ওন্থোকপা মতমদা কিলোগ্রাম ৪২০০ ফংবা ঙম্মী। ফংলিবা পোথোক অসি কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৩০ দা য়োনবা মতমদা ফংলিবা শেনফম অসি লুপা ১,২০,০০০ নি। মসিনা মরম ওইরগা পোথোক য়াম্না থোক্ত্রবসু শেন্দোং য়াম্না ফংবা অসিনা লৌমীশিংদা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীবা ঙম্লগনি।

রিপোর্ত অদুগী মতুংইন্না, মালেমগী চীঞ্জাক্কী কৈথেলদা চাকহাও য়াম্না পাম্নরকপগী অচৌবা মরম অমদি মসিদা য়াওরিবা ফুদ ভেল্যু অসিসু অমনি। চীঞ্জাক অসিদা অতৈ চেং মখলশিংগা চাংদম্নবদা খ্বাইদগী য়াম্না এন্তিওক্সিদেন্ত য়াওই। হায়ব্রিদ রাইস গ্রাম ১০০ দা কার্বোনহায়দ্রেদ চাদা ৭৬ য়াওবদা চাকহাওদা চাদা ৩৪ খক্তমক য়াওই।

লমায় ১গী মখা...চীঞ্জাক অসিদা প্রোতিন চাদা ৮.৭ ফংবদা অতৈ চেং মখলদা চাদা ৬.৮ দগী হেন্না ফংদে। চীঞ্জাক অসিদা আইরন চাদা ৩.৫ য়াওবদা অতৈ চেং মখলদা আইরন চাদা ১.২ দগী হেন্না ফংদে। চীঞ্জাক অসিদা ফাইবর চাদা ৪.৯ য়াওবদা অতৈ চেং মখলশিংদা চাদা ০.৬ তগী হেন্না ফংদে। চীঞ্জাক অসিগী ফুদ ভেল্যু য়েংলুরগা মসিবু পাম্নবগী চাংসু হেনগৎলকপনি হায়না লৌবা য়াই হায়রি।

চীঞ্জাক অসিগী ন্যুত্রিস্নেল ভেল্যু য়েংলগা হার্তকী লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা, থুনা অহল ওইশিনবদগী তপথহনবা ঙম্বা, দাইবেতিসতগী ঙাকথোকপা ঙম্বা অমসুং গ্রুতেন য়াওদবা অসিনি। চীঞ্জাক অসিগী মতাঙদা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি, স্তেত অসিদা অখন্নবা চীঞ্জাক মখল অসি পাক শন্না পুথোক্লবগীদমক করি মথৌ তাবগে হায়বসিনি।

মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি-বিজিনেস কন্সোর্তিয়মনা পীবা রিপোর্তকী মতুংইন্না, চীঞ্জাক অসি নেসনেল মার্কেত কঞ্জুমরশিংখক্তা নত্তনা সাউথ এসিয়ান অমসুং য়ুরোপকী লৈবাকশিংদগী অঙকপা ফংবা দিমান্দ তৌরক্লে হায়রি।

মসিনা মরম ওইরগা পাক শন্না লৌমীশিংবু থাহন্নবগীদমক গবর্নমেন্তনা থৌশীল অমগী মখাদা কন্ত্রেক্ত ফার্মিং নৎত্রগা পি পি পি (পব্লিক প্রাইবেত পার্তনরশিপ) মোদেলদা থবক ওইনা ওন্থোকপা মথৌ তারে হায়নসু রিপোর্ত অসিদা পল্লি।